ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯅꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯃꯥꯔꯆ ꯰꯵, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯳꯷ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, মার্চ ০৫, ২০২২, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ৩৩৭শুবা মশীং

# পীছফুল্লি পাঙথোকখিবগী - রি-পোল

## সেকেন্দ ফেজদদি থোকহল্লক্কনু

ফেব্রুৱারী ২৮, ২০২২দা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলদু চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (সী ঈ ও), মণিপুরগী মায়কৈদগী 'পীছফুল্লি' পাঙথোকখি হায়না ক্লেম তৌখি অমসুং ফোঙদোকখি। অদুবু পাঙথোকখ্রিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৩৮দুগী অপূনবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী মনুংদগী পোল্লিং ষ্টেসন ১২গীদি মীখলসিগী সেকেন্দ ফেজগী ভোট থাদনগদবা ঙসি অমুক হন্না ভোট থাদনগদৌরে। রি-পোল পাঙথোক্কদৌরে। মসিনা তাকপদি পাঙথোকখ্রিবা মীখলদুদা মীখলগী চৎন-কাঙলোন থুগাইদুনা অমসুং ঙাক্তনা/ইন্দনা অরানবা থৌওংশিং চথখ্রে হায়বনি। মদুমক্না পোল্লিং ষ্টেসন ১২দা পাঙথোকখ্রিবা মীখলদু রিপ্রজেন্টেসন ওফ পীপলস এক্ট, ১৯৫১গী সেক্সন ৫৮গী সব সেক্সন (২) গী মতুংইন্না চৎনবা য়াদ্রে হায়রকপনি। অদুগা অমুক হন্না ভোট থাদনবা, রি-পোল তৌনবা মতম লেপ্পলকপনি। ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) গী মায়কৈদগী অন্দর সেক্রেটরি সন্তোস কুমার দুবেনা মার্চ ৩, ২০২২দা সী ঈ ও, মণিপুরদা ওফিসল ওইনা ইরকখিবা চেরোল অমদা সেকেন্দ ফেজগী মীখল পাঙথোক্কদবা ঙসি রি-পোল তৌরগনি হায়রক্লিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ১-খুন্দ্রাকপম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী পোল্লিং ষ্টেসন ১/২০-সরৌথেল, কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী ৫১-সাইতু (এস টি) এ সীগী ৫১/৪৬-ন্যু কৈথেলমানবী, চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ৫৬-থানলোন (এস টি) এ সীগী ৫৬/৫-সোংসাং, ৫৬/১০-মাইটে, ৫৬/১৯-টিনশোং, ৫৭/৩১-এন চিংফৈ, ৫৭/৩৪-খোইরেন্তাক, ৫৭/৩৯-মোলসাং, ৫৭/৪৯-লৈনোম অমসুং ৬০-সিংহাট এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী ৬০/৩৬-তৈকোট অমসুং ৬০/৪৩-মাউকোটনি।

ফর্ষ্ট ফেজদা মীখল পাঙথোকখিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৩৮গী মনুংদা রি-পোল তৌগদৌরিবসি দিষ্ট্রিক্ট অহুমগী এসেমব্লি সেগমেন্ট ৫গী পোল্লিং ষ্টেসন ১২নি। মসিনা য়াম্না ময়েক শেংনা তাক্লিবদি মীখলদা কনাগুম্বা মীওইশিংনা মখোয়গী অনীংবা অপাম্বা মতুংইন্না তৌনীং-তৌনীংবা তৌদুনা মীখলদা অয়েৎপা-অপনবা পীরকপগী থবকসি চীংগী লমদা চীংমী তাবা মফমদনা হেন্না থোকই হায়বনি। তম্পাক্কী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিশিংগী পোল্লিং ষ্টেসনশিংদদি থোকখিদে হায়বা নত্তে, থোকখি। পোলিটিকেল পার্টিশিংনা রি-পোল পাঙথোকপীয়ু হায়দুনা ৱাকৎনখ্রিবদু পূন্না পোল্লিং ষ্টেসন ৩০গী মথক্তনি। ৱাকৎশিংদু সী ঈ ও, মণিপুর অমসুং ঈ সী আইনা লোইনা লৌখি। অদুবু রি-পোল পাঙথোক্কনি হায়রক্লিবনা শুপ্নতগী পোল্লিং ষ্টেসন ১২ খক্তনি। ঈ সী আইনা রি-পোল পাঙথোক্লগনি লেপ্লক্লিবা অসি ৱাকৎ লাক্লে, কমপ্লেন্ট তৌনরক্লে হায়দুনা হেক্তা লেপ্লকপা নত্তে। অফংবা রিপোর্টশিং খোমজিন্দুনা মেটরিএল সর্কমষ্টেন্সেস পূম্নমক শুপ্না য়েংলবা মতুংদা রিপ্রজেন্টেসন ওফ পীপলস এক্ট, ১৯৫১গী মরী লৈনবা সেক্সনশিংগী প্রোভিজননা পীবগী মতুংইন্না লেপ্লকপনি। অদুবু অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু রি-পোল তৌগদৌরবা পোল্লিং ষ্টেসন পূম্নমক চীংগী চীংমীশিংগীনি হায়বসিমদি তশেং-তশেংলে। মসি ওইরগদি অনীশুবা তাঙ্কক্কী মীখল অমসুং রি-পোল পূন্না পাঙথোক্ত্রিঙৈদা সী ঈ ও, মণিপুর অমসুং ঈ সী আইনা করিদগী থোরকপনো? কনানা থোকহনবনো? কনাগী থৌইনশিন্দগীনো? হায়বসি য়াওনা করি করম্বা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলগদি অমুক হন্না থোরকহন্দবা য়াগদগে হায়বদু কূপ্না থিজিনহৌবা চুমগনি। হায়রিবা থবকশিংসি সী ঈ ও, মণিপুর অমসুং ঈ সী আইনা তৌখিদে হায়বা নত্তে, তৌখি। লৌখৎফম থোকপা থবক পূম্নমক লৌখৎখি। অয়াম্বা মফমশিংদসু মায় পাকখি। অদুবু রি-পোল তৌদবা য়াদবা থৌদোকশিং থোরক্তুনা অমুক হন্না ভোট থাদনগদৌরিবা অসিনি হায়বগী ৱানি। মসিগী মথক্তা ঙসি পাঙথোক্কদৌরিবা সেকেন্দ ফেজগী মীখল অসিদি মসিগী অপূনবা এসেমব্লি সেগমেন্ট ২২গী মনুংদা চীংগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিশিংনা নম্না য়াওরিবনি। মরম অসিনা রি-পোল তৌনবগী থৌদোকসি ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন থুগাই, কেপচর তৌই, বোগস ভোটিং তৌই হায়বগীদমক ঙাইহাক লৈতনা হঞ্জিন-হঞ্জিন থোকহনবা চুম্লোই। মীখলসিগী মপূং ওইরিবা থৌবু সী ঈ ও, মণিপুর অমসুং ঈ সী আইগী অশোনবনি লৌগনি। অমুক হন্না থোকহল্লক্কনু।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৭

১) অহানবা ওইনা কুমজা ১৯৬০দা ফোঙবা ***"অমাইবা"*** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

২) **"অমেরিকাগী ঈশৈ"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) **"মণিপুরদা ঐগী চহী অহুম"** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেলদা কনানা ইবা লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

৪) ***"ৱারী শীংবূল্লক্তগী"*** হায়বা অঙাংগী ওইবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৫) ***"লৈকংলা"*** হায়বসিগী অইবসি কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি।
লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# দশাদিকো!

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**



ৱারী নুংঙাইব্রা পাবীয়ু, নুংঙাইরদি পাউ পীবিরকউ। ঐদি মতম চূপ্পদা মোবাইল ফোন অসি সাইলেন্ট মোদতা অসুম থম্মী। মসিনা ঐবু ৱাটসএপ নৎত্রগা ফেসবুক্কী নোটিফিকেসন লাকপগী মখোলনচিংবদগী অমদি ফোন তৌরকপদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। মসুম্মাইনা ফোন পায়বনা ঐঙোন্দা ঐগী নুপীনা ইশৌ লাংবদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী, অসিনচিংবা অসিনচিংবা। ফেসবুক নোটিফিকেসন লাকপগী ত্রিং অমত্তং লাউরকপদা মাগী সিলোক্তু ব্রং ব্রং হেক্তা থিথরক্কদৌরিবনি। মসিদগী ইশা ঙাকথোকচনবা খরসু হৈ শিংনা চৎপা মশানা তাবনি। নহানখক্তংদি ঐদু নাম্থোকপা য়াদ্রবা ওফিসলগী ওইবা কোল তৌরক্কদবা খরা লৈ হায়দুনা ফোন অদু সাইলেন্ট মোদতা থম্বা য়াদ্রে। মসি ওম্থোক্না নুংঙাইখিদ্রবা মতাং হায়দু ওইরে।

নুমিৎ অদু ঐ চে চাং খরা জেরোক্স তৌগদবনি। নাকলখাউ অমা য়ান্দুনা ইম্ফাল য়ৌরে। যূমদগী কিলোমিটর নীপানমুক্কী লম্বীনি। ঐনা জেরোক্স তৌফম অমদা ফৎ লাউনা চঙবদু মনুংদা হান্না নুপাও নুপীও মী মরি মঙা মাগী মাগী জেরোক্স তৌনবগী ঙাইনরগা লৈনরম্মী। ঐনা হেক চঙখিবগা নুপা অমদি মাগী চে চাং জেরোক্স তৌবা লোইরদুনা অদুম থোকখ্রে। নুপাদু থোকখিবগা মতম ইকান কান্নদনা য়াম্না ইপা পাখৎনা অমুক জেরোক্স তৌফমদা চঙলকই অদুগা মফম অদুদা ৱা লান ইঙাঙ ঙাঙদনা করিগুম্বা অমা মতোমতা ফাল, টেবলনচিংবদা লৈরিবা চে চাংনচিংবা লৈরিবা ময়াম অদুদা ওৎ ওত্তুনা কোয়থি থিরৈ। ঙাইহাক থিরবা মতুংদা হায়রকই, "ঐগী ফোন সিদা লৈহৌবনি থিবা ফংদ্রে।"

মাগী মতৌদুদা ঐখোয়সু অমুক য়াওশিন্দুনা মাগী ফোন্দু কোয়থি থিমিন্নরে অদুদসু অদুম পোৎতু ফংদ্রে। নুপা অদুনা দুকান মপু নুপাদুদগী কিপেদকী ফোন অমা ঙাইহাক ৱায়রদুনা মাগী মাঙখি হায়রিবা ফোন নম্বর অদুদা কোল তৌশিল্লি অদুবু শেল য়াওদ্রে হায়রকপদগী মানা ৱায়রুবা ফোন্দু দুকান মপুদা অমুক শিন্নখ্রে।

ফোন মাঙলিবা নুপাদুনা হায়রকই, "ঐগী ফোনদু হৌজিক্তা ঐনা সিদৈদা জেরোক্সা তৌহনবগীদা পায়রম্বনি।"

দুকান মপু অদুনা দুকানগী লেন্দলাইন ফোন অদু নুপাদুদা পীদুনা কোল তৌনবা হায়রে। ফোন মাঙলিবা নুপাদুনা মাগী ফোনদা খিংজিনবা মতমদা হন্দকমুক্তি ঐগী বেগতা ওইনা ত্রিং ত্রিং লাউনা রিং চৎলে। খঙহৌদে ঐ ঐগী মায়সে ৱং ৱং লাউনা শাগৎলে, ঐনগা মাথং চৎকনবগা শোয়দুনগা ঐনা মাগী ফোন অদু ঐগী খাউদা হাপচিল্লম্লগনি হায়না চিংনরিঙৈ তাঞ্জাদুদমুক দুকান মনুং অদুদা লৈরম্লিবা ফোনদু থিমিন্নরম্বা মী খরদুনমুক ঐঙোন্দা কিরু কিরু য়েংলক্লিবদু ঐ অদুম ৱাখল তাই। মখোয়মক্না ঐঙোন্দা মদুম চিংনরবনিনা ঐসু ঐগী বেগ মনুংদা মথৌনা মরিংজেল উৎলদুনা থৌনা ফনা খিংলিবা ফোন অদু মখোয়গী মমাঙদা লৌথোক্তুনা ওক্কদবদু খঞ্জানরে। ইশা অসি হুমাং অনপ্পীবু কাংলক্কে তৌরে। কল্লাকসু নীকলপ তৌরে অদুবু ঐ তম্বা নুপা অমনিনা থৌনা পুথোক্তুনা ফোন পায়খত্তবা য়াদে। মীনা ঐবু চিংনরিবদু কোকহন্দবা য়াদে হায়না ইপারোমদগী পুরোল তরামরি, ইমারোমদগী পুরোল তরামরি পল্লগা ৱাশক্লগা বেগতগী ফোন অদু শররররর... লাউনা বেগনুংদগী মীৎ-না উইশিল্লগা তপ্না মনা পায়দুনা চিংখৎলগা ফোন অদু ঐনা নুপাদুমক্কী মমাঙমক্তদা পুথোক্লগা থৌনা লৈনা ওকই। ফোন মাঙলিবা নুপা অদুসু ঐঙোন্দা মুন্না য়েংলগা লৈ। লাক্লিবা ফোন অদুদা ঐগী নুপীনা হায়রকই,

"মোই'বাগী জেরোক্স তৌগদবা ঙসিগী অরুবা চে চাং ময়ামদুদি টেবল মথক্তা লোইনা হুন্দোক্লগা চৎলে অদু অমুক্তা লৌরখো হায়দুনা ফোন তৌরকপনি।" অসি হায়রম্মগা ঐগী নুপী ৱা মখা তারমদনা ফোন অমুক থমখি।

তাঞ্জাদুদা অমুক ফোন মাঙলিবা মহাশয় নুপাদুনা দুকান দারদুদা ওনশিল্লগা হায়রকই, "হৌজিক ঐনা লেন্দলাইন ফোন অসিদগী কোল তৌবদা ঐগী ফোন অদু যূমদগী ইচানুপীনা পায়রক্লে। নে হেক তাই ঐ। ঐদি ঐগী ফোনদুদি ঙসাই ঐনা লাকপদা কাউরমদুনা চৌক্রিদা অদুম থনম্লবজাৎনিদনা হা হা হা। ঐদি মাঙখ্রেনা পাখৎতুনা সিদা পংথিদা থিবা শারি। সোরি, ময়াম পূম্বা ঐনা পূংলাঙ হেক লাঙহঞ্জখ্রে। হা হা হা।"

অসি হায়রম্মগা নুপা অদু অদুম থোকখ্রে। চহী হুম্ফুতরেৎ হুম্ফুনিপালমুক্কী লোঙ্গা ওইগনি। ঐদি ঙসিখক্তনি ফোন সাইলেন্ট মোদ থমদবা... দশাদেবা! ●

# শোয়দি শোয়দ্রে হায়নরিবসিনি

**নবকুমার ওইনা**

ভোট তৌবদি শোয়দ্রে, হায়নরিবা ময়ামসি পাঙথোকপা ঙল্লবদি চাওখৎপসু শোয়দ্রে। হোয়নে, অদুদা কদায়দনো অমা নিংকোক নিংকোক তৌবা অমা য়াওরিনে। দ্রগ মৱ্দ ফংনা মূত্থৎকনি, শেঞ্জা থুমজা মূত্থৎকনি, মৈ-ঈশিং-নুংশিৎ মরাং কায়না পীগনি হায়রি ময়ামসি মখোয় খরনা তৌবনি। নোং হেক ঙানবদগী তূম্বা হৌগৎপগা চিনবু শেংবনে, মায়বু তাবনে, ইরুবা, ফিজোল হোংবা পূম্নমক লৈবাক্কী খল্লগা তৌরিবনি। লৈবাক্কী খল্লগা থম্মোয়বু শেংলবা ভোট কাবদি শোয়দ্রে। লৈবাক্কীদমক শিখিবা মী মশীংবু খঙদ্রবনি।

হায়নবা অমদি লৈকো, লৈবাক্কীদমক শিদৌ শরুক লৈবাক্কীদমক হিংবনা ফৈ। লৈবাক্কীদমক থৱায় থাখিবা ময়ামদু য়াওরমদ্রবদি লৈবাকসিদি কমদৌনা লৈরমগনি। হিংহৌরিবা ময়ামসি লৈহৌবদগী অমদা অমুক য়োল্লগা চাখ্রিবসিনি। মীওই খরদি হিংলিবসি লান মনুংদা এরোপ্লেন অচৌবা অদুদগী ময়োম অচৌ-অচৌবা থাথরল্লগা হিংবদৌনা খল্লিবনি। চহী মঙা মঙাগী কোমেট তৌনা মতম খরা ফৎ লাক্লম্বা, মশাগী খোঙচত্তা চত্তবা য়াদদুনা অমুক চৎখিবগা ভোট কারগদি অমুক হল্লকপা মমৈ পানবা থৱান্মীচাক ওইনা উনরিবনি। অদুনবু ভোটকী থৱান্মীচাক্তু লাইদৌনা লাৎনরিবনি।

তুনা হৌগৎপা ঙায়নরিবা ময়ামদু লৈবাক্কীদমক লাক্লিবনি। (শেন্দোং খরদি মশাগী য়াওনরিবনি) মীয়ামদুনা নোংম-নোংমগী শেল্লবদবু লৈবাক্তু করিগী ফরোইদৌরিবনো? মী ময়াম্না শেম্বনি হায়বসি নীংশিংদনা মীগী তুংইল্লিবনি হায়না অদুম খল্লিবমখৈ চাওখৎপা ৱাৎখিগদৌরিবনি। চাজেনবী মৌনহাদুনা কোবী-হঙ্গাম কোনপাক্তুগা চেনবোই করিবোই ভোটকী চৎহৌরিবদু লাইরিক হৈবা নখোয়দি কৈদৌ লৈরিগে হায়বা অমা লাক্লবনি। লাইরিক হৈবা ভোট থাদরোই হায়রুবাঅহল ককাদু চৌক্রিদগী তাম্থোক্লরিবনি। অদুনি লৈবাক শেম্বা হায়রিসে, চফু শাবগুম্বনি, য়ৈনবা তোকপা য়াবা নত্তেনে। মীনা হায়রকপা ঙাইরবা, তুং ইন্দুনা লৈরবা, মীখা পোনবা হায়রিসে অদুনি। অমনা হন্দক হায়বদুদি য়াম্না ফজরে, 'অফবা ঙাক্তা তৌরনি' মানা হান্না তৌখিবদু কয়া ফত্তে হায়দু হৌজিক খঙলক্লবা মাল্লি। অদুবু হুই মমৈ চুম্বা য়াদে হায়নরিবসিদি লাল্লি হায়রুবা য়ারোই। অদুনবু হুই চিক্লবদৌনা চিক্লবা য়াওরকই হায়নরিবা, উনরিবা অসিনি। হন্দক্তি য়াম্লবু হাৎনদ্রি।

ভোটপু লাক্লবদি খৎনবা-চৈনবা-ফূনবা-হাৎনবা শোয়দ্রে হায়না হায়নরিবনি। হান্ননা কোক্তা বেত্রি হানবদৌনা হাল্লগা লৈরবনি, নোংমৈ মৱ্দ হানজিল্লগা পায়রগা ঙায়নবা য়াওরম্লি। মসিবু হান্না নুংঙাইনদবা মচা-মমৌ, লৌরি-শিংজা মুন্নবগী খৎনবা য়াওখিবগী লমনককা খুম্নবা য়াওরজাৎলা। থাজদেদা অদু য়ৌনা পুক ফৎনদবদি ঐখোয়গী মীশিংদা য়াওরমদৌ মান্দে। খরা চাওখৎপা হায়গদ্রা লম অতৈদা তৌনরম্বদি য়াই খল্লি। অমনা, ঐখোয় খরনা মৈরা পায়বী, নিশা-বন্দ ইমা ইবেলশিংবু ভোটকা শমজিন্নবা হেক হেক পন্নরিবসি নুংঙাইজদবা হায়তারে। পোৎয়োনবী লিলা য়াওবা য়াদে হায়বদি নৎচদে, পোৎ য়োনবনা য়োনবনি, লীলানা লীলানি হায়জরিবা। ভোটনা ভোটনি, য়ুনা য়ুনি, দ্রগনা দ্রগনি হায়বা তাবনি। ভোটকা নোংমৈগা শম্নরকপা, বোমগী লীলা য়াওশিল্লকপসি কিবদি পোক্লদে খল্লি, মতম মাঙহনবদু পাম্মুজবা হায়বা তারে। লোন্না তৌরম্বা থবক অমগী ফোংনা মতম য়াম্না মাঙনবসি তৌহন্ননীংদবা, লৌথোকখ্রগা তূমিন্না হেক লৈথোকপা হায়জরে, লীলা মান্দনবা। মায় শোনবা হায়গদ্রা পঙইতা ইকায়জবা। মীরেপ খরনদি নহাশিংগী থবক পীগনি হায়বদু পীবা হৌরল্লবা হায়বদুনি, নোংমৈ পীরগা ভোট খোম্বসিসু থবকনি, থকপা চাবদুসু থবকনিদো, অদুদবু থিংলুবা য়ারিব্রা হায়বা। অদুনবু ভোট মতমসিদি কেন্দিদেটকীদা লাক্লবা লম্বীদা য়ু পুবসি ফাগৎলিবনি, থকফমদু য়ৌখ্রবদি ফাদরে। ঐখোয়গীসিবু হায়জরিবা, ফিজোন মান্নবা খরনা য়ু ফাই, ফিজোন মান্নবা খরদি অদুম থকমিন্নে, কনানা চুম্বা লানবা হায়বদুমা খন্থবা তৌজদে, য়ান-য়ানবা হায়বা তারে। লোন্না থাদগদবা ভোটপু ফোংনা চেনবা য়াব্রা হায়বা, ফোংনককা চেন্নরিবসিদি ভোটকী মান্দে, শেলদুগী মাল্লি, হায়নরিবসি চুমগনি খল্লি। শেল লৌখ্রসু থোক্লক্তবসু য়াওরিবনি, থোকপু থোক্লল্লবা ভোট পীরকপদি শোয়দ্রে খন্নরিবনি। ময়ামদু উরগদি ভোট কাবসু শোয়দ্রে খনবা য়াওনরিবনি। ভোটপু তৌরবদি শিংজু ওইগেরা, উতি ওইগেরা, ওক চগেমদৌনা তৌরগা গভর্ণমেন্ট শেম্বদুবুদি শোয়দ্রবনি। ৱাজ রিবদি লৈঙাক্তুগা মীয়ামগা শম্নদবীদু অমুক হৌরক্কদ্রা হায়বদুগী ৱানি। মীয়াম্না অমা হায়, লৈঙাক্না তাবীদে, ভোট ময়াদনা লৈঙাক শেম্বগী পৎ হেক্তা তৎনখি। য়ানরিবনা করিনো, য়ানদ্রগনা করিনো খঙবা ঙমদবা হায়বদু ওইরিবনি।

ভোট লেপকদৌবা মীওইশিংদি ঐখোয়না শুরুংদগী থোক্লকখিবদুগুম থোক্লকপা নৎত্রে। শেল পায়রগা থোক্লকপনা অয়াম্বনি। শেলদি পায়দবা ভোট লেপ্লগা মিনিষ্টরককা ওইনীংবা খরা থোক্লকপদি উনরে। শেল য়েন্নগুমসি হায়বদি তায়, য়েন্দে হায়বদি তাদ্রি। চিনগা খূৎকা মান্নদে হায়বসিমসু শোয়দ্রে, ভোট লেপকদৌবা মী অফবা খন্নবা কাঙলূপ অমনা মীওই অমা শেমগৎলে হায়বদি তাদ্রি, মানা মানা ঐদি ফরবনি, শেল পায়রবনি খল্লগা থোক্লরকপনা অয়াম্বা ওইরি। ইশানবু ফৈ হায়বা ঙল্লবদি ফগল্লি হায়বা তারে। মীনদি কয়া হায়নগন্দবা ৱানি। লমদম অমা চাওখৎপসি পোলিটিক্সতা লৈতে, লান্না থাজবনি। পোলিটিক্সককা হায়রিবদুদি মীনা শান্নবা লীলাগুম্বনি, মীনা চাওখৎলগা পোলিটিক্সতু চাওখৎপা য়াবা নত্তে। মীনা চাওখৎলবদি পোলিটিক্স চাওখৎপদি য়াই।

ভোট লেপ্লিবা কেন্দিদেটশিংগী যূম হায়গদ্রা ওফিস হায়গদ্রা অমদা হেক চঙলুবা খুদিং কাগনি হায়নবা ঙাক্তা তাবদুনি। ইতোমতা ঙকপা অমা পোকচবদুনি। করম্বনা ফগদৌরিবনো য়েংবা চঙববু অমদুগীনি, নহান অমদুগীদা লৈহৌবদু কমদৌগে হংজিল্লকপা য়াওশিল্লকই। মাগী মথৌ করি লৈগে হায়বা, মাসু অদুম চান্নৌ ঐসু চান্নবা হৌরিবনি, মানা ঐ য়াওহন্নীংদবা ওইরদি ভোট পীদবা তাবনি। ইমান্নবা অমা লৈরম্মী মানদি 'ইতাও লেংশিল্লকও য়াম্না নুংঙাইখ্রে, চা থকসি, মাসু লাক্কনি, ৱারী শাখিসি...।" তারিবা ঐফাও শ্বর থিংই, জর-জর শাংথরকপবু, নুংঙাইবা খরদি পোকই। লৈঙাক্কী থবক তৌবা ইবায় অমা লৈ, মাদি কেন্দিদেট খুদিংগী শেল পাংঙি হায়রি, অমনা কাবদি শোয়দ্রবনিনা তৌদবা য়াদবনি হায়রিবনি। লাপ্না চীংদককা ত্রান্সফর থাদনবনি হায়। অদুদি হন্দক কারবসু মথংদা কাদবদি শোয়দ্রে, শাওনবদগী থবক্তু রিজাইন তৌবসু য়াওই হায়রিসিনি। পোলিটিক্সপু মখোয় খরগী কাংজৈ শান্নফম ওইনা উহনবসু য়াওরিবনি। অদুসু থায়নগী লীলাদৌনা নিংথৌ মানবসু য়াওরিবনিদো। হৌজিকপুদি হিজ হায়নেস হায়নরম্বদু তোক্লখ্রেদনা। অদুবু ওনরেবল হায়রগা রেস্পেক্টেদ হায়বগা চয়েৎনবা অমদি লৈরি। হায়রিবশিংসি শীজিন্নদবা লমসু লৈরিবনি, ঐখোয়দি মোনার্কিজমগী মিহুলদু মাঙদ্রি হায়বনি। মিনিষ্টর ওইবদা য়েৎকদৌবশিংদি টিকেট পীদে, ভোট কারক্তনবা লম্বা তৌরিবদুদা শেল পাংনৈ হায়বফাও তারিবনি। মদুদি পোলি-টেক্টিস নত্তে, রাজা নীতি কৌই হায়বদুনি। মখোয় খরা কাবা কাদবা অদুদি লায়বু লায়রি, লমদম অদুদি মূত্থরকপা শোয়দ্রবনি। ইঞ্জিন অনীমক গুরুং চৎপসু য়াই।

মতমগী মতুংইন্না চক অসিদদি দেমোক্রেসি চৎনরে খঙবা খঙদবা, হৈবা-হৈতবা হায়বদুনা অমনি। লৈঙাক য়াওগনি হায়না থোক্লক্লিবা মখোয় ময়াম্নসু অমম্বা লম্বী অমদা চঙশিল্লে, শেঞ্জাও পায়বশিংগী লীলা ওইরে অদুম হায়নরিবনি। অমনা অমা হুন্নবা নত্তে, মখোয় ময়ামগী শাজত্তু পুকচেল শেংনা লাওবা ঙম্নরিবনি। পুকচেল শেংমল্লসু থবক ঙমগদৌবা মাল্লক্তে। লৌবদদি অরোনবা ঙাক্কনি হায়বা য়াওগদৌরিবনি। চেঙ-ফৌ হোঙহল্লিবা মীদুদা চেঙ ৱানবা মীশিংদি ভোট পীরকপসু য়াই। ফৌ তায়বা শিৎত্রবা লৌমীদি ভোট পীরল্লরোই। গঞ্জা থারিবা, পোপি থারিবা ময়ামদি দ্রগ ফারিবা, ফাগনি হায়রিবশিংদা ভোট পীগনি থাজদে, পুনখিবদি য়াবসু য়াওগনি। ঙাঙনরিবা ময়ামসি লীলাগী ৱানি। তৌখ্রিবা হায়দোকপা য়াদবশিং অদুদি লৈঙাক পায়বদু শিল্লকান্দা মউন খোকপমখৈ পুথোক্লরকপসু য়ারি। য়ানদ্রবা মতমদদি বোড়া হুরানমিন্নবদুসু হায়দোরকই হায়বা লৈরিবনি। হুরানববু হৈরবা ভোট হেক্তা লেপ্নীংগনি।

পেসিমিজম ইজ কন্সত্রক্টিভ হায়বসু লৈ। মীয়াম্না ক্রিটিকেল মাস অমা শাগৎপসি লৈঙাক্লা পামদে। মরমদি লৈঙাক্লা দেমোক্রেটিক ওইদবা উরগা মীয়ামসু দেমোক্রেটিক ওইরক্তে, খঙদবসু ওইবা য়াই। সোসল রিলেসন ফজদবনা হাৎন-শুনবা থোক্লিবসি লৈঙাক পাম্বশিংগীদি হরাওজবীনি। দিভাইদেদ গেম শান্নদ্রবদি ভোট কাবা ঙমগন্দে। শেল পাম্বশিংদু কিহন্দ্রবদি শেল মাঙবসু য়ারিবনি। অদুনবু ব্লুহুৱালগী য়ানুংদা মচাশিংদু অদুম চঙখিনি, অদুম পুখিনি, অদুম হিংখিনি। অথেনবদা লৈবা ঙাশিংগা পূনবা য়ারোই। শামু মনিংদা পেনা খোংহৌবতনি।

ভোটকী নুংঙাইনবা হায়বা তারবদি ৱারী লৈরি। দ্রগ মৱ্দ ফংনা মূত্থৎকনি হায়রিসি মথংদদি পোপ্পী পাম্বী য়াম্থৎখ্রে হায়রগা চৈনা হাইবদু চৈ য়াওররোই ফল্লগা খূৎনা কোয়রনি হায়বনি। মৈগী ৱা অরায়বনি, মোরে মৈখেৎ মরাং কায়না য়োল্লগা লোইরে, উমং কোকপদগী নোংককা তাদ্রসু বোট্টল য়োল্লনি নৎত্রগা য়েল্লনি (শেল কায়থোকপা য়ানবনিদা), নারবসু নাদ্রবসু ওক্সিজেন পীরনি (চাকথোঙ গ্যাস পীবগী মহুত্তা)। চেঙ-হৱাইদি হান্না পীদুনা লৈরে, মী ময়ামসি ব্রোইলর থাকপগুম থাক্লদি থবক্তু মখোয়না অদুম পায়বদি শোয়দ্রেদনা। মী ময়ামসু ৱাকৎ লৈররোই। লৈমা তিনগুম মহুম হাইরগা লৈনখ্রগনি, টুরিজম চাওখৎলনি, চাওখৎপা হায়দু হেক্তা ওইদৌরিবনি। নুপী-অঙাং চাওখৎলদি চাওখৎপা শোয়দ্রবনি, খৎপগী ৱা নত্তে, শেল পায়রদি চাওখৎপা শোয়দ্রবনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।